# ইমপ্লিমেন্টেসন প্লান ফোঙলুবগীদমক্তা দোন পাউচে ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে



করাচি, মে ১৬ :

চাইনা পাকিস্থান ইকনমিক কোরিদোর (সি পি ঈ সি) গী ২০৩০ ফাওবগী ইমপ্লিমেন্টেসন প্লানগী শক্তমশিং ফোঙখিবগীদমক্তা পাকিস্থানি গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা পাউচে দোনবু ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে।

ইহান হানবা ওইনা মীয়ামদা দোক্যুমেন্টশিং ফোঙদোক্লে হায়না ক্লেম তৌরদুনা ইংলিস লোলদা নুংতিগী ফোঙবা পাউচে অদুনা হায়খি, প্লান অদুদা চাইনানা মথংগী চহী ১৫ ফাওবদা পাম্লিবশিং অমসুং খ্বাইদগী মরু ওইনা পায়খৎকদবা থবকশিংগী হৌজিক ফাওবদা ফোঙনা খন্নদ্রিবা অকূপ্পশিং য়াওরি।

চাইনাগী প্লান্নিং মিনিষ্টর অহসন ইকবালনা দোন পাউচেগী আর্টিকল অদুবু কন্না ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে। সি পি সী সিদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা ইকবালনা আর্টিকল অদুবু দোনগী অনীশুবা লিকনি হায়না ফোঙদোকখি। মমাঙদা পাউচে অসিনা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমনা আর্মি অমসুং নৱাজ শরিফ গভর্ণমেন্টকী মরক্তা লাকহনখিবা নুংঙাইনদবগী ফীভমদা রিফরেন্স পীরদুনা মিনিষ্টরনা দোনগী অনৌবা রিপোর্টপু অনীশুবা লিকনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

‘প্লান্নিং মিনিষ্টরনা দোনগী রিপোর্ট অদুনা মহাকপু নিংবা কায়হল্লে হায়না ফোঙদোক্লদুনা ৱার্কিং দোক্যুমেন্টশিংদা যুম্ফম ওইবা সি পি ঈ সিগী লোং-টার্ম প্লানগী ষ্টোরি ফোঙলিবদুনা বৈজিংদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা চাইনাগী ষ্টেট প্লান্নিং বোদি এন দি আর সি (নেসনল দিভলপমেন্ট অমসুং রিফোর্মস কম্মিসন) গা পুথোকমিন্নখিবা ফাইনেল ড্রাফট অদুগী মশক ওন্ন-তৈননা উহল্লে হায়খি।

ফেক্টশিং চেক তৌনবা দোননা মঙোন দা নৎত্রগা মহাক্কী মিনিষ্ট্রিদা তানখিব লৈতে হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

ইকবালনা হায়খি মদুদি, চাইনাগা তানদনা পাকিস্থানি গভর্ণমেন্টনা লোং-টার্ম প্লানদু পাউচেশিংদা ফোঙদোকপা য়াদে।

লমায় ২৩১ পানবা লোং টার্ম প্লানগী ভর্সন অনী গভর্ণমেন্টতা লৈ হায়না দোননা ফোঙদোকখি। প্লান অদুগী চাউরাকপা শক্তম পীবা লমায় ৩০ দমক পানবা অতেনবা ভর্সন অমা পাকিস্থানগী পোভিন্সিয়ল গভর্ণমেন্টশিংদা মখোয়গী অয়াবা লৌনবা ফংহনখি হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

চৈরকসিদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা প্রোজেক্টশিংদু ফাইনেলাইজ তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা প্লানগী অকূপ্পশিং মীয়ামদা ফোঙদোক্কবা তকশিনখ্রে। পাকিস্থান পিপলস পার্টিগী এম পি অমা ওইরিবা নাফিসা সাহনা হায়খি, দোননা ফোঙলিবা লোং টার্ম প্লানদুগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা অশেংবদু মীয়ামদা খঙহনগদবনি। প্লান অদুগা পাকিস্থানগী শেল-থুমগী ফীভমগা য়াম্না মরী লৈনরক্কদৌরিবনি।

# ভেটরন জর্নেলিষ্ট জাভিয়র ভান্ডেজ মেক্সিকোগী সিনালোৱাদা হাৎখ্রে



মেক্সিকো, মে ১৬ :

ড্রগ ট্রাফিক্কিং অমসুং ওর্গনাইজ ক্রাইমগী পাউ লৌবদা থোইদোক হেন্দোক্না হৈথোই শিংথোইরবা ভেটরন রিপোর্টর অমা ওইরিবা জাভিয়র ভান্দেজ নোর্দন মেক্সিকোগী ষ্টেট সিনালোৱাদা হাৎখ্রে। মহাক্কী মীহাৎ অসি মিদিয়া ৱার্করশিংগী ওইনা মালেমগী খ্বাইদগী খুদোংথীনিঙাই ওইরবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমদা চত্থরকখিবা জর্নেলিষ্টশিং হাৎপগী থৌদোকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবনি।

ভান্ডেজ অসি মেক্সিকোদা থা অনীদগী খরা হেনবগী মনুংদা হাৎপা য়ামদ্রবদা তরুকশুবা জর্নেলিষ্টনি অমসুং রেজিনা মার্টিনেজ পেরেজগী মতুংদা দিকেদ অসিদা লৈবাক অসিদা হাৎপা অনীশুবা হাই-প্রোফাইল রিপোর্টরনি। মার্টিনেজ পেরজ ২০১২ দা হাৎখিবনি।

সিনালোৱা ষ্টেটকী গভর্ণমেন্ট ওফিসল অমনা হায়খি, ভান্ডেজ অসি নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিল অঙনবদা ষ্টেট কেপিটেল কুলিয়াকানদা মহাক্না হৌদোকমিন্নখিবা পব্লিকেসন রিওদোসিগী ওফিস মনাক্তা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

রিওদোসিনা মসিগী ৱেবসাইটতা ভান্ডেজ হাৎখিবগী পাউকনফার্ম তৌখি। মহাক মহাক্কী ওফিসতগী ব্লোক অমরোমদমক মহাক্কী কারদা থৌরকখিবা মতমদা গনমেনশিংনা হাৎখিবনি।

মহাক নেসনল পাউচে লা জোর্নাদাগী করেসপোন্দেন্ট অমসু ওইখি। লা জোর্নাদাগী পাউনা হায়খি মদুদি, মহাক কারদগী চিংথোক্লবা মতুংদা মশাদা নোংমৈ মরু কয়া কাপশিন্দুনা হাৎখিবনি।

ভান্ডেজ অসি লৈবাক্না অমসুং মালেম্না শকখঙলবা ড্রগ ট্রেদকী লমদা লাইরিক কয়া ইরবা জর্নেলিষ্টনি।

ন্যু য়োর্কতা বেজ ওইবা কম্মিটি টু প্রোটেক্ট জর্নেলিষ্টকী মতুং ইন্না, কুমজা ২০০৯ দা রিওদোসিনা ড্রগ ট্রাফিক্কিংগী মরমদা চত্থবা ইনভেষ্টিগেসন অমা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা মশক খঙদবা এটেক্করশিংনা রিওদোসিগী ওফিসতা গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা এটেক তৌখি। এটেক অদুদা শিবা অমদি শোকপা অমত্তা য়াওখিদে।

# লন্দনগী হিথ্রো এয়রপোর্টতা পাকিস্থান এয়রলাইন্সকী ক্রু দিটেন তৌখ্রে

লন্দন, মে ১৬ : পাকিস্থান ইন্টরনেসনল এয়রলাইন্স (পি আই এ) গী মেম্বর ১৪ নিংথৌকাবা নুমিৎতা লন্দনগী হিথ্রো এয়রপোর্টতা দিটেন তৌখ্রে অমসুং পুং অনী লৈরগা থাদোকখ্রে। নিংথিনা সার্চ তৌরবা মতুংদা পি আই এগী প্লেনগী ক্রু মেম্বরশিংদু এয়রপোর্টতু থাদোকপা য়াহনখিবনি হায়রি।

ইস্লামাবাদতগী লন্দনদা পাইখিবা ফ্লাইট পি কে ৭৮৫ নিংথৌকাবা নুমিৎতা নুংথিল পুং ২.৫০ রোম তাবদা হিথ্রো এয়রপোর্টতা থুংখি অমসুং পেসেঞ্জরশিং কুম্লবা মতুংদা ফ্লাইটকী ক্রু অমসুং এয়রক্রাফট অদু ওথোরিটিশিংনা সার্চ তৌখি’ হায়না পাকিস্থানি পাউচেশিংনা পি আই এগী স্পোক্সপার্সন মাশহুদ টাজৱারনা হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, ক্রু দিটেন তৌখিবগী মরম শেংনা খঙদ্রি অমসুং পি আই এনা হীরম অসিগী মতাংদা বৃটিশ এভিয়েসনগী ওথোরিটিশিংদা ৱাকৎলগনি। অদুম ওইনমক জিও ন্যুজনা পি আই এগী স্পোক্সপার্সনগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, সিক্যুরিটি ইস্যুশিংগা মরী লৈননা ইন্ট্রোগেসন তৌনবগীদমক্তা ক্রু অদু ফাজিনখিবনি।

# মাইক্রোসোফটনা য়ু এন হ্যুমেন রাইটসকী থবক্তা শিজিন্নবা দোল্লর মিলিয়ন ৫ গী গ্রান্ট লাউথোকখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, মে ১৬ :

চহী ৫ গী পার্টনরশিপ অমা য়ু এনগা পায়খৎমিন্নরদুনা মাইক্রোসোফটনা দোল্লর মিলিয়ন মঙাগী গ্রান্ট অমা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস ওফিসতা পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মরু ওইনা হ্যুমেন রাইটসকা মরী লৈনবা ফীভম কয়াদা ক্রিটিকেল রেস্পোন্স পীবদা টেক্নোলোজি শিজিন্নবদা মিৎয়েং থম্বা ঙম্নবগীদমক্তা গ্রান্ট অসি পীরিবনি।

চহী ৫ গী পার্টনরশিপ অদুনা অসিগুম্বা হ্যুমেন রাইটসকা মরী লৈনবা ফীভমশিং হেন্না নিংথিনা প্রিদিক্ট তৌবা অমসুং এনালাইজ তৌবা ঙমগদবা মওংগী ওইবা এদভান্স টেক্নোলোজি চাউখৎহনবা অমসুং শিজিন্নবদা মিৎয়েং থমগনি।

‘ঐখোয় য়াম্না থুনা অওনবা লাক্লিবা মতম অমদা হিংলি। অসিগুম্বা মতমসিদা হ্যুমেন রাইটসকী প্রোব্লেমশিং সোল্ব তৌবদা টেক্নোলোজি শিজিন্নবা নৎত্রগা হ্যুমেন রাইটস মরাই চাইথহন্নবা টেক্নোলোজি লান্না শিজিন্নবা য়াই। অসুম্না মান্নবা মওংদা কম্পেনিশিংনা মীওইবগী রাইটশিং খোঙ্গাওনবা য়াই নৎত্রগা মখোয়বু মরু ওইবা প্রোগ্রেসিভ ফোর্স অমা ওইহনবা য়াগনি’ হায়না য়ু এন হায় কম্মিস্নর ফোর হ্যুমেন রাইটস, জাইদ রাদ অল হুশৈইনগী ৱারোল অমনা হায়খি।

# রেন্সমৱ্যের : গ্লোবেল সাইবর-এটেক্কা নোর্থ কোরিয়াগা মরী লৈনবগী চিংনবা লৈরে

লন্দন/ৱাশিংটন, মে ১৬ :

মালেম পুম্বনা মমাঙ চয়োলগী অরোইবদা লৈবাক ১৫০ দা শোকহনখিবা গ্লোবেল রেন্সমৱ্যের এটেক্তা চেন্নবা সাইবরক্রিমিনেলশিং মশক খঙদোক্লবা হোৎনরিঙৈদা গুগলগী সিক্যুরিটি রিছার্চর অমা ওইনা থবক তৌবা ইন্দিয়াদগী হৌখিবা নীল মেহটানা ত্বীটরদা হেক্করশিংদু নোর্থ কোরিয়াগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

মেহটানা খঙলকখিবদুগী মতুং ইন্না, নোর্থ কোরিয়নশিংগী মহুৎ শিন্দুনা থবক তৌরিবা ‘লজারস গ্রুপ’ না এটেক অদু পাঙথোকখিবা ওইরম্বা য়াই। মমাঙদসু হেকিং গ্রুপ অসিনা ‘ৱান্নাক্রিপট’ তা শিজিন্নখিবা কোদিং অমসুং টুলশিংদুমক শিজিন্নখি। ‘ৱান্নাক্রিপট’ অসি হৌজিক মাইক্রো-সোফট ওপরেটিং সোফটৱ্যের হেক্কিং তৌবদা শিজিন্নরিবা সোফটৱ্যেরনি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বীয়াগী গ্রেজুয়েট অমা ওইরিবা হান্না আই বি এমগী ইন্টরনেট সিক্যুরিটি সিষ্টেমশিংগা মরী লৈননা থবক তৌখিবা মেহটানা ত্বীটরদা ‘কোদশিং’ থাগৎতুনা ‘ৱান্নাক্রিপট’ রেন্সমৱ্যের এটেকশিং অমসুং ‘লাজারস গ্রুপ’ না থোকহনখিবা মেলৱ্যেরগী মরক্তা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীখি। লাজারস গ্রুপনা গভর্ণমেন্ট ওর্গনাইজেসনশিং, মিদিয়া অমসুং ফাইনান্সিয়ল ইন্সটিট্যুসনশিংগী মায়োক্তা মাঙ-তাক্লিঙাই ওইবা এটেক পরিং অমা চত্থখ্রবনি।

‘ঐখোয়গী রিছার্চরশিংনা মসিগী ইনফোর্মেসনসি এনালাইজ তৌখি। গুগলগী রিছার্চর অমসুং কুমজা ২০১৫ গী এটেকশিংদা ‘লাজারস গ্রুপ’ না শিজিন্নখিবা মেলৱ্যের সেম্পলশিংগী মরক্তা ময়েক শেংনা লৈরিবা কোদকী মান্নবশিংদু মশক খঙদোকখি অমসুং কনফার্ম তৌখি’ হায়না কাসপর্স্কি লেব (সাউথ এসিয়া) গী মেনেজিং দিরেক্টর অলটাফ হালেন্দনা ফোঙদোকখি।

মেহটাগী মতুং ইন্না, চাইনাদা বেজ ওইবা লাজারস গ্রুপনা কুমজা ২০১৪ দা সোনি পিকচর্সতা অচৌবা হেক অমা চত্থখি অমসুং কুমজা ২০১৬ তা বাংলাদেশকী বেঙ্ক অমদসু গ্রুপ অসিনা হেক তৌখি।

# য়ুক্রেননা মীয়াম্না পাম্নরবা রসিয়ন সোসল নেটৱার্কশিং থিংজিনখ্রে

কিভ, মে ১৬ :



য়ুক্রেননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মীয়াম্না পাম্নবা রসিয়াগী সোসল নেটৱার্কশিং অমসুং ইন্টরনেট সার্চএঞ্জিন অমা থিংজিনখ্রে। লৈবাক অসিগী নোংপোকথংবা শরুক্তা সেপ্পরেটিষ্টশিংনা চত্থরকখিবা চহী অহুম শুরবা লালহৌ শৌগৎপগীদমক্তা লৈবাক অসিনা ক্রেমলিনগী মায়োক্তা থল্লিবা অথিংবশিং হেন্না পাকথোক চাউথোক্লবা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী শরুক ওইনা কিভনা রসিয়ন সোসল নেটৱার্কশিং থিংবগী খোঙথাং অসি লৌখৎলক্লিবনি।

প্রসিদেন্ট পেত্রো পোরোসেনকোনা দিক্রি অমা সাইন তৌদুনা রসিয়াগী ফেসবূকনি হায়নবা ভিকেঅমসুং য়ুক্রেনদা মীয়াম্না পাম্নরবা য়ান্দেক্স সার্চ এঞ্জিনগী ভর্সন শিজিন্নবা থিংখি। লৈবাক অসিনা মেইল দোট রু ঈ মেইল প্রোভাইদর, ওদনোক্লাসনিকি (ক্লাসমেটস) সোসল নেটৱার্ক লোয়নননা মোস্কোদা বেজ ওইবা কাসপের্স্কি লেব সাইবরসিক্যুরিটি অমসুং এন্টি-ভাইরস প্রোভাইদর শিজিন্নবসু থিংজিনখ্রে হায়রি।

অথিংবশিং অদু চহী অহুম চৎনগনি হায়রি। ক্রেমলিননা কুমজা ২০১৪ গী মার্চতা ক্রিমিয়া লৌশিনখিবদা নৎত্রগা য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্না মনিং তম্লে হায়না লাউথোকচখিবদা শৌগৎপা ফোঙদোকখিবগীদমক্তা কিভনা অথিংবা থম্বা রসিয়ন প্রদক্টশিং অমসুং মীওইশিংগী লিষ্ট হেন্না চাউথোকহল্লিবনি। রসিয়ন মুভি কয়া অমসুং টেলিভিজন সেরিজ কয়াসু থিংজিনখ্রে লোয়ননা অথিংবদুদা লাইরিক খরসু য়াওই হায়রি।

HL-P/0715/17

# সাউথ কোরিয়াগী অনৌবা প্রসিদেন্ট মূন জে-ইন মথং থাদা য়ু এসতা চৎলগনি



সিওল, মে ১৬ :

সাউথ কোরিয়াগী অনৌবা প্রসিদেন্ট মূন জে-ইননা মথং থাদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা সম্মিট অমদা ৱারী শাননবা হ্বাইট হাউসতা চৎলগনি। নোর্থ কোরিয়না ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইলগী পুক্কে অমা শেমগৎপদা খুমাঙ চাউশিনবগী ফীভম লৈবদগী নুংনাংবা পোক্লরিঙৈদা সাউথ কোরিয়াগী অনৌবা প্রসিদেন্টনা ৱাশিংটদনা চৎকদৌরিবনি।


লুচিংবশিং অসিনা জুনগী অথেংবা শরুক্তা উনবগী ৱাফম অসি সিওলদা মূনগী ফোরন পোলিসী এদভাইজর চুং ইয়ুই-য়োং অমসুং য়ু এস নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী ইষ্ট এসিয়াগী দিরেক্টর মাট পোটিঙ্গরগী মরক্তা চত্থখিবা মীফম অমদা য়ানখিবনি হায়না প্রসিদেন্ট মূনগী স্পোক্সমেন মূন য়ংচাননা হায়খি।

নোর্থ কোরিয়ানা অনৌবা পৱারফুল ওইরবা মিসাইল অমা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখিবা মতুংদা সিওলনা প্রসিদেন্টকী খোঙচৎ অসি লাউথোরকখিবনি। মপুং ফানা দিভলপ তৌবা মতমদা মিসাইল অদু য়ু এসকী অলাস্কা ফাওবা য়ৌবা ঙম্বা য়াই হায়না এনালিষ্টশিংনা থাজরি।

মূননা হায়খি, চুং অমসুং পোট্টিঙ্গরনা উনদুনা ৱারী শানখিবদা সিওল অমসুং ৱাশিংটননা নোর্থ কোরিয়াবু ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং মপুং ফানা থাদোকহন্নবা হোৎনবগী অমত্তা ওইবা পান্দম অমা স্যের তৌমিন্নৈ হায়বা ৱাফম নৌহৌননা অমুক য়ানখি অমসুং পান্দম অদু ফংনবা সেঙ্কসনশিং থম্বা অমসুং দাইলোগ চত্থবা য়াওনা মেথদ খুদিংমক শিজিন্নগনি। মীচং অনীনা ‘অচুম্বা কন্দিসনশিংদা’ নোর্থ কোরিয়াগা দাইলোগ চত্থবা য়াগনি হায়না য়ানরে।

সম্মিট অদুগী তাংদাংবা অকূপ্পশিং অমসুং তারিখ অমা হৌজিক ফাওবা লেপত্রি হায়না মূননা ফোঙদোকখি।

সাউথ কোরিয়াগী লিবরেল প্রসিদেন্ট মূন জে-ইননা মমাঙদা লৈখিবা কঞ্জার্ভেটিভ প্রসিদেন্টশিংগা ওন্ন-তৈনবদা নোর্থ কোরিয়াগা ৱারী শানবা পামই অমসুং মতম চারকপদা মহাক পিয়োংয়াংদা চৎপা য়াই হায়খি।




BEFORE THE OATH COMMISSIONER, IMPHAL WEST

AFFIDAVIT

I, **Dambar Bahadur Hitang** father of Aashish Hitang of Noney, P.O. & P.S. Noney, Tamenglong District, Manipur at present do hereby take oath and solemnly affirm as follows :

1. That, I am a law abiding citizen of India by birth having a resident at the above cited place. This is true to the best of my knowledge.
2. That, my son's name is recorded wrongly in spelling as Asish Hitang instead of favourite spelling as Aashish Hitang in some documents. So, it is required to record said favourite name in spelling as Aashish Hitang in any relevant documents in order to solve future complicacies. I have no objection is this regard. Hence this affidavit. This is true to the best of my knowledge.

VERIFICATION

Verified that the above statements are all true and correct to the best of my knowledge and brief and nothing fact has been concealed therein.

*Dated/Imphal*
The 9th Dec, 2016

**Dambar Bahadur Hitang**
*Signature of Deponent*

Drawn by : Advocate **Y. Sanatomba Meetei**
Oath Commissioner (Judicial)

HL-P/0716/17




## EMPLOYMENT NEWS

### IGMCRI Recruitment – Indira Gandhi Medical College & Research Institute – 80 Technician, Radiographic Technician & Operating Room Assistant Vacancy – Last Date 05 June 2017

**IGMCRI Recruitment 2017**
Indira Gandhi Medical College & Research Institute (IGMCRI) invites application for the post of 80 Technician, Radiographic Technician & Operating Room Assistant on contract basis. Apply before 05 June 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**IGMCRI Job Details :**
Post Name : Technician
No. of Vacancy : 40 Posts
Pay Scale : Rs. 15000/- (Per month)
Post Name : Radiographic Technician
No. of Vacancy : 20 Posts
Pay Scale : Rs. 15000/- (Per month)
Post Name : Operating Room Assistant
No. of Vacancy : 20 Posts
Pay Scale : Rs. 12000/- (Per month)

**Eligibility Criteria for IGMCRI Recruitment :**
Educational Qualification :
For Technician : B.Sc. with Medical Laboratory Technician from recognized university /Institution and knowledge of computer.
For Radiographic Technician : Degree in Radiography from a recognized university /institution.
For Operating Room Assistant : SSLC or equivalent and one year training as a Operating room assistant from recognized university/institution.
Age Limit : Maximum age limit is 35 years for Technician & 32 years for Other

**Job Location : Pudhucherry**

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 200/- (for the post of Technician & Radiographic Technician) & Rs. 100/- (for OR Assistant) through DD/ Bancker's Check in favour of Director IGMC&RI, Puducherry at IOB Kathirkamam Branch Puducherry.

**How to Apply IGMCRI Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with self attested copy of relevant documents & DD send to Indira Gandhi Medical College & Research Institute, Vazhudavur Road, Kathirkamam, Puducherry-605 009 on or before 05.06.2017.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application Form : 05.06.2017
***Important Links :***
*Detail Advertisement & Application form Link : http://www.igmcri.com/userfiles/Paramedical_Perso nnel.pdf*

### SSC Recruitment – Staff Selection Commission – Combined Graduate Level Examination (CGL), 2017 – Last Date 16 June 2017

**SSC Recruitment 2017**
Staff Selection Commission (SSC) invites applications for the post of Combined Graduate Level Examination (CGL), 2017 in different categories of posts in various Ministries/ Departments/ Organisations. Subject to administrative / public exigencies. Apply Online before 16 June 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt No. : 3/4/2016–P&P-I
**SSC Job Details :**
Post Name : Combined Graduate Level Examination (CGL), 2017.
No of Vacancy : Not Specified
Pay Scale : Rs. 9300-34800/- OR Rs.5200-20200/-

**Eligibility Criteria for SSC Recruitment :**
Educational Qualification :
For Assistant Audit Officer/Assistant Accounts Officer : Bachelor's Degree from a recognized University or Institute OR Chartered Accountant or cost & Management Accountant or Company Secretary or Masters I Commerce or Masters in Business Studies or Masters in Business Administration (Finance) or Masters in Business Economics.
For Junior Statistical Officer : Bachelor's Degree in any subject from a recognized University or Institute with at least 60% Marks in Mathematics at 12th standard level: OR Bachelor's Degree in any subject with Statistics as one of the subjects at degree level.
For All other Posts : Bachelor's Degree from a recognized University or equivalent.

Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 18 to 27 years for Group-C and 18 to 30 years for Group-B as on 01.08.2017 all others related information as per Notification.
**Age of Relaxation :** SC & ST Category 5 years, OBC-NCL Category 3 years & PH Category 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection based on Computer Based Written Examination Tier-I, Tier-II, Descriptive Test & Skill test.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 100/- through net-banking/credit cards or debit cards or cash through SBI bank challan. Women candidates and candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe and Ex-Servicemen eligible for reservation are exempted from paying fee.

**How to Apply SSC Vacancy :** Interested candidates may apply Online through SSC website http://ssconline.nic.in OR http://ssc.nic.in from 16.05.2017 to 16.06.2017 till 5.00 PM thereafter website link will be disabled.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 16.05.2017
Last Date For Submission of Online Application : 16.06.2017
Last Date for Submission of Application Fee by Challan : 19.06.2017

***Important Links :***
*Detail Advertisement Link : http://ssc.nic.in/SSC_WEBSITE_LATEST/notice/notice_pdf/CGLE2017Notice.pdf*
**Apply Online :** http://164.100.129.99/cgl17/